ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





ঈনাৎ য়োকখৎপা লুপতিন (ইয়োল) মণিপুরনা শীন্দুনা পোকপদগী শিবা ফাওবগী থৌরমশিংদা হোংলক্লিবা মচৎ অমদি মসিনা মীয়ামগী শেন্মীৎলোন্দা পীরিবা চৈথেং হায়বগী মরমদা পাঙথোকপা ৱাখল তামিন্নবা মীফম


লৌশিং পূক্কে : ভেলন্দ্রিদি ব্রেনগী মচীঞ্জাক্লি, খামেন ... লামায় ২

লামায় ৪ মণিপুরগী নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈখ্রবা

'কুকিলেন্দগী মঙ-!' লামায় ৫

লামায় ৬ মণিপুরগী ঈরাং লোইশিনবা ঙমদবা হোম মিনিষ্টর...

অনৌবা ইনকম টেক্স বিল ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা... লামায় ৮

লামায় ১০ নেশনল গেমস ২০২৫ : জিম্নাষ্টতা গোল্ড ১, সিলভর...


১০শুবা বট্টালিয়ন বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) না শীন্দুনা হৈরোক পার্ট টুগী লিতান মখোঙদা লৈবা সিটি ক্লবতা পাঙথোকপা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মনুং চন্না খুঞ্জাশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা খূৎশিন্নবা




Vol. 48, Issue No. 308 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ১৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 13, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## মণিপুর লৈঙাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি

# চীফ মিনিষ্টর রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা লৈঙাক লৈত্রবনিনা 'থা ৬কী রুল' হায়বদু চৎনহন্দ্রে : লোক সভাগী হান্নগী সেক্রেটরি জেনরেল

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৯গী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌবগী চেরোল গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাদা পীশিনখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবদা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা ওইরক্লিবা মণিপুর লৈঙাক্কী ফীভমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল লিদর, কন্সটিট্যুশনেল এক্সপার্ট অমসুং কোংগ্রেসকী নেশনল লিদরশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরক্লি।

অদুম ওইনমক লোক সভাগী হান্না সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা পি দি টি অচারিনা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, চীফ মিনিষ্টরনা রেজিগনেশন তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক লৈতবনা মরম ওইরদুনা কন্সটিট্যুশননা পীরিবা 'থা তরুক্কী রুল' হায়বদু মণিপুরদা চৎনহনবা য়াদ্রে। মরম অসিনা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ১৭৪ (১) না এসেমব্লি সেশন অমগা অমগগী মরক্তা থা ৬তগী হেন্না গেপ লৈবা য়ারোই হায়বা ৱাফমদু চৎনহন্দ্রে হায়রি।

### ইম্ফালদা লৈখাই তাদবদগী দেল্লীদা পাইশিন্নবা হৌরে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০গী অয়ুক পুং ১১দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা থা অসিগী ৯গী নুংথিলদা এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌবগী চেরোল পীশিনখিবদগী ঙসি নুমিৎ মরিনি শুরক্লবা ফাওবদা মহাক্কী মহুত্তা করম্বা এম এল এনা ফম অসি পুগদগে হায়বগী লৈখাই তাবা ঙমখিদবগা ইরোয়ননা বি জে পিগী এম এল এশিং দেল্লীদা পাইশিন্নবা হৌখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

করিগুম্বা চীফ মিনিষ্টরনা রিজাইন তৌরমদ্রবদি কন্সটিট্যুশননা থা তরুক হায়দুনা পীরিবা মতমসিগী মনুংদা সেশন পাঙথোক্লম্বা য়াবনি। মরম অসিনা হৌজিক মণিপুরগী গভর্ণরগী মায়কৈদা লৈরিবা লিগেলগী ওইবা মীৎয়েং অনীদি মহাক্না লৈঙাক অমা লুচিংদুনা শেম্নবগীদমক মেজোরিটি লৈরবা কাঙলুপ অমগী লুচিংবা অমা লৈরব্রা নৎত্রগা লৈঙাক শেম্বদা মথৌ তাবা এম এল এশিং লৈত্রবরা নৎত্রগনা লৈঙাক শেমগনি হায়দুনা কনামত্তা চোংথোরক্ত্রবরা হায়বসি য়েংগদবনি। মীৎয়েং অনীসি য়েংলবা মতুংদা মহাক্না সেন্টরদা রিপোর্ট পীদুনা ফীভম অসিবু পাউদম্বগা লোয়ননা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬কী মখাদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইনবা ইদুনা খঙহনগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্য সভাদা কোংগ্রেসকী এম পি ওইবদা নত্তনা কন্সটিট্যুশনেল এক্সপার্ট অমসু ওইরিবা অভিসেক মানু সিংহবিনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদি প্রসিদেন্টস রুল লাক্লবগী শক্তমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। কন্সটিট্যুশন, লোগী মীৎয়েং অমসুং পোলিটিক্সকী চৎনবীদা য়েংলুরবসু হৌজিক মণিপুরনা প্রসিদেন্টস রুলরোমদা চঙশিল্লক্লি হায়নসু ফোঙদোরকখ্রে।

# সম্বিত পাত্রনা গভর্ণর অমদি এম এল এশিং হঞ্জিন হঞ্জিন উনরে অনৌবা চীফ মিনিষ্টর কনা ওইহনগদগে খঙদোকপা ঙমদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১০দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম হৌগনি হায়দুনা থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লুরবা মতুং নোংমা ৱাংলিঙৈ থা অসিগী ৯দা চার্টরদ ফ্লাইট অমদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন বিরেনগা লোয়ননা দেল্লীদগী লাকমিন্নখিবা বি জে পিগী নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর অমসুং নেশনল স্পোক্সপর্সন সম্বিত পাত্রনা ঙসি ফাওবা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা লৈদুনা এন বিরেননা রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদগী বি জে পিগী য়াওনা এম এল এশিং মথং-মথং উনরকপদা নত্তনা হঞ্জিন্না উনবা ফাওবা য়াওরকপগী মথক্তা ঙসি অয়ুক ফাওবদা গভর্ণরগসু অহুল্লক শুবা ওইনা উনখ্রবসু কনাবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনগদগে হায়বা ৱাফমদি লৈখাই তাবা ঙমদ্রে।



ঙসিসু অহুল্লক শুবা ওইনা মহাক্না গভর্ণরগা উনদুনা ৱারী শানখি। রাজ ভবন মনুংদগী মহাক থোরক্কনি হায়দুনা পাউমীশিংনা রাজ ভবনগী গেটতা ঙাইদুনা সম্বিত পাত্রগী মায়কৈদগী অরেপ্পা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লগনি হায়দুনা ঙাইনখি অদুবু করিমত্তা ফোঙদোক্লমখিদ্রে। মমাঙ চহী ২০২৪গী ওগষ্ট ১২দা এসেমব্লিগী তরুকশুবা মীফমগী অরোইবা নুমিৎ ওইখিবগা লোয়ননা কন্সটিট্যুশননা পীরিবা মীফম অনীগী মরক্তা থা ৬ হেন্না কান্নহল্লোইদবনি হায়রিবা অদুগী মতমসু ঙসি মপূং ফানা শুখ্রে। ফীভম অসিদা এসেমব্লিগী মীফম পাঙথোকপা ঙমদবগা ইরোয়ননা মসিবু এনিমেটেদ সস্পেন্সন থমদুনা চৎনহল্লব্রা হায়বগী মতাংদসু ওফিশল ওইনা লাউথোকপা লৈত্রি।

ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদগী মিনট ৪৫ রোম সম্বিত পাত্রনা গভর্ণর এ কে ভল্লাগা রাজ ভবনদা উনদুনা ৱারী শানখি। অদুবু মখোয় অনীগী মরক্তা করি করম্বা ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বদুদি ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

অদুম ওইনমক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মহাক্না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট য়াওনা গভর্ণরগা উনখিবদদি চীফ মিনিষ্টর রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# চান্দেল ১সুং তেংনৌপল : ঙমখৈ শম্বল খাবা ১সুং এফ এম আর চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা টোটেল শটদাউন তৌদুনা রেল্লি চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেশন (সী এন পি ও) গী মখাদা লৈবা খূৎশম্নদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক চথুরক্লিবা অমসুং হান্না ঙমখৈ পরিং




নাগা ফূরুপ ১১ অমসুং চান্দেলগী নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন য়াওনা নাগা চীফস এসোসিএশন (চান্দেল) না পূন্না অসিদা চৎনহল্লম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) লৌথোকখিবগী...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বি জে পিগী সম্বিত পাত্র লাক্লিবসি মণিপুর থুগাইনবরা : লোকেশ্বর

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** বি জে পিগী মণিপুরগী ইন চার্জসু ওইরিবা পার্টি অসিগী নেশনল স্পোক্সপর্সন সম্বিত পাত্রনা মণিপুরদা লাক্লিবসি মণিপুর থুগাইনবা লাক্লিব্রা নৎত্রগা কৈদৌবা লাকপনো হায়না মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরম্লবা খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরনা পাউমীশিংগী খূথাংদা হংখ্রে।



ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী ক্বার্টরদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, মণিপুরগী অসুক লুরবা ফীভমসিদা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা সেশন ফমহন্দনা থল্লকপা হায়বসি মীয়াম্বু থৌওইদে অমসুং করিসু লৈতনা খল্লি হায়বা তাকপনি। মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম, লৈরিবা ইস্যুশিং অসিগী ৱারোইশিন করম্না পুরক্কনি হায়বগী মতাংদা খন্ন-নৈনগদবা মতমসিদা এসেমব্লিগী মীফম চথহন্দবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# এক্স-মিনিষ্টর বিজয় কোইজমগী য়ূমদা গ্রেনেদ ২ লংশিল্লম্লে

### লৈকায়গী মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :** থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ফাওবা ওইরমখিবা বিজয় কোইজমগী থোংজু ফৈজা লৈতোংদা লৈবা য়ূমদা শকখঙদবা মীওই খরনা হেন্দ গ্রেনেদ




অনী মথং-মথং লংশিল্লম্লে অদুবু পোকখায়হৌদবদগী মীশি-মীনা য়াওখিদ্রে। মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## হৈরোক : নোংমৈ মরূ খরা কাপ্লম্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা হৈরোক লাইকোন হায়না খঙনবা মফম অমদা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈ মরূ খরা কাপ্লম্বদগী মফম অসিগী মীওইশিং মীপাইনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিদা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি ফংখিদে। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী হৈরোক পুলিস ষ্টেশনগী পর্সনেলশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনখি। নোংমৈ মরূশিং অদু করম্বা মীওইনা করিগীদমক মফম অসিদা কাপ্লল্লিবনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমখিদ্রি।

## শেলগী দিমান্দগী মায়োক্তা শীংজমৈ কৈথেলগী দুকানশিং থোঙ লোনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**

তম্পাক্কী মফম অয়াম্বদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরকই হায়দুনা মফম খরদা মীয়াম্না য়ানীংদবা খোঙজং চঙশিন্নরকপগী মখা তারকপদা শীংজমৈ কৈথেলগী দুকানশিংদসু ফীভম অসিমক মায়োক্লরক্লে হায়দুনা ঙসি পুবা থাংবা ঙমদবা দিমান্দ তৌবীগনু হায়রদুনা কৈথেল অসিগী দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

দুকান ফম্বা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা মণিপুরগী ঈরাংনা মরম ওইরদুনা দুকান চাং নাইনা হাংবসু ঙমদ্রে। পোৎসু শিৎত্রে, দুকানগী অৱাইমল ফাওবা চাং নাইনা পীবা ঙমদ্রিঙৈদা দিমান্দ তৌরকপা য়ানীংদে। অথুবা মতমদা হন্দোকপীয়ু হায়রি।

# মণিপুর মূত্থৎনবা হোৎনবদা লৈবাক খক্তা নত্তনা পোলিটিকেলগী ফীভমসু কাং-খোং চাইহল্লে : নন্দো

### ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী ৩২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**



মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি শান্নদুনা লৈবগা চপ মান্নে হায়রদুনা মণিপুর মূত্থৎনবা লাল্লোং শিনবদা লৈবাক খক্তা নত্তনা পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভমসু কাং-খোং চাইহল্লক্লি হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা পাঙথোকখিবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেশন (অমুকো) গী ৩২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি মরি ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):**

পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী এক্টিভ কাদর তখেলময়ূম ভিক্টর (২৩), হুইদ্রোম বিকাস এলিয়জ সনামচা (২৫), ওইনাম নাওচা এলিয়জ মেক্স (১৯) অমসুং অউংসি জোন (৩৩) বু লমশাং পি এসকী মনুং চনবা কমেং শাবলদা লৈবা মখোয়গী কেম্পতগী ফারে হায়রি।

মখোয়দগী মরূ ৭ য়াওবা পোইন্ট ৩২গী পিষ্টোল অহুম, মরূ তরা য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অনী, দোনেশন কার্দ ১১৩, ৱায়রলেস সেট অমা, মোবাইল ফোন অহুম, টু হ্বিলর অনী অমসুং নোটবুক অমা ফংলে হায়রি।

# থম্নাপোকপী : লানগী মৈশা লাংলিঙৈদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা পামদে, ফরবদি ফৈ ফৎত্রবদি এম এল এ ৪০না তেকচাক পুগদবনি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):**



মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা লোইশিল্লে হায়দুনা পূক্লিং লূমদ্রিবা লান অসিগী মৈশা লাংলিঙৈদা পোলিটিকেলগী চরাংনবা থোরকপনা অমুক্কা হেন্না নুংনাংহল্লে হায়না থম্নাপোকপীগী নুপীশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মখোয়না ফোঙদোরকপদা করিগুম্বা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা অফবা মায়কৈদা লাকখ্রবদি ফৈ অদুবু ফীভম অসিনা হেন্না ফত্তবা মায়কৈদা লাক্তুনা মণিপুরদা অৱাবা মায়োক্লহল্লক্লবদি মদুগী তেকচাক পুম্নমক এম এল এ ৪০ মক্না পুগদবনি হায়খি।

মরম অসিনা হৌজিকমতম লৈরিঙৈদা পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবা থমদনা য়াশিন্নবা অমা পুরক্কদবনি হায়রি।

ৱাফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী থম্নাপোকপী খুলগী মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি চন্দ্রাবলি ওইনাম্না চীফ মিনিষ্টর অমসুং মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরনা ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা লৈঙাক্কী তংদু লৈতাদবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবনি।

## কে সী পি- সিটি মৈতৈগী কাদর ১ ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**

ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা ককচীং কন্মান্দোনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ইরুম্পাল এরিয়াদগী কে সী পি (সিটি মৈতৈ) গী কাদর অমা ফারে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা ফারবা কাদর অদুগী মমিং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এ বি ভি পিগী ১০শুবা ষ্টেট কনফরেন্স

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**

অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) গী ১০শুবা ষ্টেট কনফরেন্স থা অসিগী ১৫দগী ১৭ ফাওবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা মহৈরোয় ৩৫০না শরুক য়াদুনা ইরোইশেম্বগী কোলেজ ওফ এগ্রিকলচরদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী ঐখোয়বু মতিক চাবা সিক্যুরিটিনা ঙাক শেনবীদুনা ইশাগী য়ূমদা লৈবা ফংহনবীরো : অঙোম রিতা

### রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম

### কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেনবা টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী মখোয়গীদমক তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা মীতৈদা অতম্না ওনশিন্দুনা চথুরক্লিবা লান অসি হৌজিক বোম অমসুং নোংমৈগী মখোল তাবা খরা লেপ্লবসু চহী অনী ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা লান অসিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা থৱায় হিংনবগীদমক তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা মীওইশিংগা লেপ্তুনা পাউচে অসিনা মথং-মথং উনরকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু ইম্ফাল ৱেষ্ট



দিষ্ট্রিক্টকী কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৪৬ রোম শুরবী অঙোম রিতা, মপুরোইবা এন টিকেননা পাউচে অসিদা হায়, মে ৩, ২০২৩দগী তমথীরবা লান অসি হৌরকখ্রবসু ঐখোয়না লৈরিবা কাংচুপ চীংখোঙদদি নুমিৎ অদুদা য়ৌশিল্লকখিদে। তমথীরবা লানগী থৌদোক অমত্তা থোকখিদে। অদুবু খঙহৌদনা মথংগী নুমিৎ মে ৪দদি লান অসিগী থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং কাংচুপ চীংখোঙ য়ৌশিল্লক্তুনা থোরকখি।

মে ৪, ২০২৩গী অয়ূক্তা ঐখোয় চাক চাদ্রিঙৈগী মমাঙদগী মফম অদুদা লৈবা মীয়াম লাঙবা হৌনরকখি। মদুগা ইকান কান্নদনা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং য়ুম মৈ থাবগী থৌদোকশিংসু মথং-মথং থোকচিল্লকখি। ঐগী ইচা অহুমনি। মখোয়গী মনুংদা ইচানুপী অমা য়াওরগা অনীনা ইচানুপানি। ইচানুপা অহল গ্রেজুএশন তন্নিবনি। ইচানুপীনা য়াইমা ওইদুনা হোটেল মেনেজমেন্ট তন্নি অদুগা ইচানুপা অতোনবনা শুপ্নতগী ক্লাস টু খক্তমক তন্নি। (মথং-মথং)

# জিরিবাম : মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননা জিরিবামগী রিলিফ কেম্পশিং য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএনএস):**



মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন (এম ঐচ আর সী) গী টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বিদ্যানগরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিং অমসুং উচারথোলদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ফীভম হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়রি।

কম্মিশনগী টিমনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ৱারী শানখি অদুগা হোস্পিটাল অসিগী ওইরিবা ফীভমসু য়েংশিন্দুনা লায়েংশঙ অসিগী ওফিশলশিংগসু ৱারী শানখি হায়রি।

মফম অনীসিদা কম্মিশনগী টিমনা য়েংশিল্লুরবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ওফিসতা জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগী মীহুৎশিং অমসুং ওফিশলশিংগা পূন্না মীফম অমসু পাঙথোকখি।

কম্মিশনগী টিম্বু লুচিংলকখিবা মসিগী মেম্বর কে খগেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি কম্মিশননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওইশিংগা হকথেংননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫